# মণিপুর, অচৌবা খুৎলায় য়োনফম কৈথেল ওইরে

## পিএমনা এন ই লালহৌবশিংগী ইশু ম্যান্মারদা পুথোক্তুনা খন্নগদৌরি

- *রিপোর্ট*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ*** মণিপুর অসি অৰাং-নোংপোক লমদমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না লালহৌবগী অকন্নবা ইরাং লৈবা ষ্টেট অমা ওইবতা নত্তনা খুৎজু-খুৎলায় য়োনফম অচৌবা কৈথেল অমসু ওইরে হায়না ঙসি সেভেন সিষ্টর্স পোষ্টনা ফোঙদোরক্লি।

বঙ্গলাদেশতগী খুৎলায় লৈনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপদগী মেঘলায়গী গাড়া নেস্নেল লিবরেসন আর্মি (জি এন এল এ) য়াওনা অৰাং-নোংপোক লমদমগী মিলিটেন্টশিংনা দিমান্দ অমসুং সপ্লাই অনিগী মরক্তা সপ্লাইনা হেল্লবা মণিপুরগী অচৌবা খুৎলায়গী কৈথেলদা মায় ওনশিন্নরক্লে হায়বা ৰাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা সেভেন সিষ্টর্স পোষ্টনা হায়রি, মণিপুরদা ফংলিবা খুৎলাই মখলশিং অসি ম্যান্মারগা লোন্নবা ইহো হোবা বোর্দর ফাওরগা পুশিল্লকপা চাইনানা শাবা ঙাক্তনি।

শেন্দোং চাউনা ফংবা খুৎলাই লল্লোনবগী থবক অসিদা মণিপুরগী লালহৌলুপ কয়ানা কৈথেল লিংনরি। অদুগুম্বা লুপশিং অদুগী মনুংদা পি এল এ, য়ু এন এল এফ, কে ৱাই কে এল, প্রিপাক অমসুং কে সি পি হায়রিবশিং অসিনা মাঙজিন থারি হায়না রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এপ্রিল ৮, ইষ্টর সন্দেগী অয়ুক্তা ইষ্ট গাড়ো হীলস দিষ্ট্রিক্টকী স্বাট কম্মান্দোশিংনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বারটর্স ৱিল্লিয়মনগড়দগী কি: মি: ১০ লাপ্পা বাৰেগ্রেদা লৈবা জি এন এল এগী চিফ সোহন ভি শিরাগী কেম্প অমদা লান্দারুবদা মশিং য়াম্নবা রোকেট প্রোপেল্ড গ্রেনেদ (আর পি জি ) ৬৬ লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা থেংনবদগী ফংগৎখি।

মতুংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা আর পি জি শিং অদু মণিপুরদগী জি এন এল এ না পুশিল্লকপনি হায়বসি খঙবা ঙমখি হায়না মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা মেঘালয় পুলিসকী সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লে হায়রি।

ওফিসিয়েল অদুগী ৱারোল পল্লদুনা সেভেন সিষ্টর্স পোষ্টনা হায়রি, ফারবা মিলিটেন্টশিংগী জবান অমসুং ইন্টেল্লিজেন্সতগী ফংবা রিপোর্টশিংদগী জি এন এল এনা মণিপুরদগী পুশিল্লকপা খুৎজু খুৎলাই কয়ামরুম পৈশিন্দুনা থম্বগী থবক চথরি।

ষ্টেট অসিগী ইন্টেল্লিজেন্স এজেন্সিশিংগী মায়কৈদগীসু ইম্ফাল অমসুং আসামদা লৈবা নোংমৈ লল্লোনবা মীওইশিং অমসুং পাখোল্লোইশিংনা চাউনা থৌদাং য়াদুনা মণিপুরদগী অৰাং-নোংপোক লমদমগী নিংথিনা ঙাক-শেন্দবা ইন্টর-ষ্টেট বোর্দর ফাওদুনা খুৎজু খুৎলায় পুথোক-পুশিন তৌবা শক্তি লৈরবা খুৎপু অমা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লে।

মতম শাংনা, অৰাং-নোংপোক লমদমদা ওপরেট তৌরিবা লালহৌলুপশিংগী লোৎফম অমসুং খুৎজু খুৎলায় পুশিল্লক্লবা খ্বাইদগী ফরবা মফম অমদি লম্স্বেল অমা ওইদুনা লাকখিবা বঙ্গলাদেশ অসি শেখ হশিনানা লুচিংবা অৰামি লিগ গভর্নমেন্টনা ইং ২০০৮ গী দিসেম্বরদা শক্তি পায়খিবদগী লমদম অসিগী ইন্সর্জেন্ট আউটফিটশিংগী খুদোং থিনিংঙাই ওইরকখি।

অমরোমদা, ম্যান্মারদা লৈরিবা অৰাং-নোংপোক লমদমগী লালহৌলুপশিংদা চাইনানা মতেং পীবা হেনগৎলকপগী মতাংদা নুংনাংবা পোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ম্যান্মার গভর্নমেন্টকী মফমদা লালহৌলুপশিং অদুগী মথক্তা অকন্নবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লবা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। মনমোহন সিংহনা য়ুগ্লোন্নবা লৈবাক অসিদা মে ২৮ দগী ৩০ ফাওবা ওফিসিয়েল ওইনা চৎকদবা খোঙচৎ অমদা ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট থৈন সৈন অমসুং প্রো-দেমোক্রেশি লিদর ঔং সান শু চিগা উন্নগনি হায়রি।

সিংহগী খোঙচৎ মনুং অদুদা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার অনিনা কোওপরেসন পীনবগী এগ্রিমেন্ট কয়াদা শহী তৌনবগা লোয়ননা লমদম অসিদা লেপ্লা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা চাইনাগী শক্তিগা থেংননবা লাল্লোং কয়া য়াখোক্লবা পান্দমসু থল্লি হায়না নিউ দিল্লিগী সাউথ ব্লোকতা লৈবা সেনিয়ার দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোরক্লে হায়রি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা চিফ মিনিষ্টরশিংগী ওইবা ইন্টর্নেল সিক্যুরিটিগী মিটিংদা চাইনাগা অৰাং-নোংপোক লমদমগী ম্যান্মারদা লোত্তুনা লৈরিবা লালহৌ লুচিংবশিংগা নকশিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবা অদু য়েংলুরবদি, য়াম্নমক পুক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইরি। লালহৌবা লুচিংবশিং অসি ভুটান অমসুং বঙ্গলাদেশতগী নাহোক্তুনা চেনখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারদা অমসুং কেম্প শাদুনা লৈখিবনি হায়রি।